# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-18

**(Other Evidence of Climate Change)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) চলাম্বা - কোলেজ ওজা (২) মৈরাবা - কোলেজ ছাত্রা
(৩) ৱাংথোই - কোলেজ ছাত্রা
নুপীঃ- (১) কেতুকী - সান্টিফিক ওফিসার
(২) চঙখোনবী - কোলেজ ছাত্রী

(মফমঃ- কোলেজ কেম্পস, মতমঃ- অয়ুক পুং ১০মুক তাবা মতম, ছাত্রা-ছাত্রীশিং কোইলাং লাংবগী খোঞ্জেল)

মৈরাবা :- পুংদি তরা তাশিনলক্লে, ৱাংথোইগা চঙখোনবীগদুবু কৈদৌরবজাৎনো হৌজিক ফাওবা কোলেজ কারক্ত্রিবসিবো, ক্লাস হৌগদবসু ঙহাক্তা ঙাইরে, মোয় অনি য়াওদ্রবদি ঐসু ক্লাস য়াওবা তল্লি, হৈনৌ মখোংসিদা ফল্লগা লৈথোক্লগে (মতোমতা শোনজবা)।

চলাম্বা :- আদা, হৈনৌ মখোঙদা মতোমতা ফল্লিবসিবু মৈরাবা নৎতরনে, মানিদা মাদি মতোমতা কৈদৌরিজাৎনো। মৈরাবা... মৈরাবা... নঙদি নতোমতা অদুদা কৈদৌরিনো (গাড়ী খাম্বা)।

মৈরাবা :- সার ঐ ইমান্নবা সুম ঙাইরম্বনি, নুংশা শাবসিদা হৈনৌ মখোঙসিদা ফল্লম্বনি।

চলাম্বা :- লাকও লাকও, ঐ ক্লাস চংদৌরবনি পুং তাশিল্লক্লে, লাকওকো।

মৈরাবা :- হোয় সার ঐ ঙহাক্তং চঙখোনবীগা ৱাংথোইগা ঙাইরকখিগে।

চলাম্বা :- মোয়সু অদুম লাকচরনি, নঙ লাকওনে, ঙসিদি নখোয়দা য়াম্না কান্নগদবা টোপিক অমা তাক্কদৌরিবনিনে, লাকও হায়রদি লাকওদনা। ঙসিগী ক্লাসসি য়াওহৌদ্রবদি ঐদি অমুক হন্নগদি তাক্লরোইদবনিকো।

মৈরাবা :- সার চংবীরম্মো, ঐসু লাকচরগে।

চলাম্বা :- নুংশানগা শাবনে, লাকওকো, ঐ দিপার্টমেন্টতা চংলল্লগে (গাড়ী থৌখিবা)।

মৈরাবা :- করিনো হৌজিকফাওবা মবানিনা লাক্ত্রিসিবো, নুংতিগী ঐঙোন্দগী মখোয়না হান্না হেক হেক লাক্তুনা ঐবু ঙাইদুনা লৈরম্বনি, ফোনসু পুরক্তে ঐদি কমাই তৌনিসিদি, মোয়সুম ঙাই লৈরদি ক্লাসসু য়াওবা নংঙরোই, ক্লাস য়াওদ্রগদি সারনা অমুক শাওগনি কমায় তৌনি ঐদি (মতোমতা শোনজবা)।

ꯔাংথোই :- (বাইক থৌজিল্লকপা) মৈরাবা লাকও ঙসিদি ক্লাস য়াওররোইশি, কোইবা ওইনা চৎলুরসি।

চঙখোনবী :- লাকও, গাড়ীদা তোংখৎলকও চৎসি লাকও, অয়াঙলৈমা ইকো-পার্ক য়েংঙুসি লাকও, য়াম ফজে হায়য়ে।

মৈরাবা :- কৈনো নোয়না হায়রিসিবো, ঙসাইদগী নোয় লাক্তুরে, ক্লাস য়াওবা নঙলরোই হায়দনা হুমাং-কাংখৈ ঐনদি নোয়বু ঙাইরি অদুগা নোয়না হৌজিক্তা লাকঅগা কোইবা চৎলুসি হয়রিসিবো, ঙসাইখৈ নোয়বু কদায়দা লৈরুগে, করি তৌরুগে।

ꯔাংথোই :- য়েংঙু তু অচাপোৎ ময়ামসে, হোরেল ইকোপার্কতা চারুনবা অচাপোৎশিংসে লৈরিঙৈদা থেংঙকইনি।

চঙখোনবী :- লৈরকইসি ফাওবা য়ামনদ্রবনি, নঙ ঙায়বা ꯔারনি হায়দুনা প্রপ-প্রপ লাকঅবনি।

মৈরাবা :- চঙখোনবী... ꯔাংথোই, ঙসিদি চৎলগুমসি হয়েং নোংমা ছুটি থাবা নুমিৎ অমদা ওইনা চৎলসি কোয়বদু, ঙসিদি ক্লাস ওইনা য়াওরুরসি, সার চলাম্বনসু লাকও হায়রল্লবনি, চৎলসি লাকও ক্লাস হৌরল্লগনি।

চঙখোনবী :- অস ! অদু ওইরগা নঙ নতোমতা ক্লাসতু য়াওহৌরো, ঐখোয় অনীদি ঙসি কোইবা চৎতবা সুংয়া য়াদে।

ꯔাংথোই :- নঙ লাকনিংদ্রগা লৈহৌরো, নোং ফাদোক কোইবা চৎলুসি হায়ববু নঙনা অদুক লুনা খল্লিদুবো, নোংমখক ক্লাস য়াওদববু কৈদৌই হায়গে, লাকও চঙখোনবী চৎসি লাকও (গাড়ী ষ্টার্ট তৌবা)।

চঙখোনবী :- হোয় চৎলসি, অদুদি বাই মৈরাবা, সি য়ু তুমোরো।

মৈরাবা :- চঙখোনবী ... ꯔাংথোই চৎখিনু হায়বনে ঙায়খোও (লাওহৌবা)।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংꯔাইরম, মফম:- চঙখোনবীগী য়ুম, সন্ধ্যাগী কাংশি মখোল লাপনা তাবা)

কেতুকী :- সন্ধ্যা মতম ওইশিল্লক্লবসিফাওবা কদায়দা চৎলিবনোনে মসিগী নুপীমচাসিবো, কোলেজ কারুনি হায়দুনা হোবে হোবে চাক চাবোই চাদবোই চৎখিবনি, কোলেজ মতমসু ঙসাইনা লোইরে, খঙনিদনা মা ঙসিদি হন্দা হল্লকখিসনু (শাওনা ঙাঙবা)।

চলাম্বা :- ইচে কৈদৌরে, নতোমতা শাওরি শাওরি, মুরুম মুরুম শোন্দুনা লৈরম্মীসিনা।

কেতুকী :- কৈসু তৌদেদা, চঙখোনবীদু হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রি, ঐ ফাওবা ওফিস মতম লোইদুনা হল্লকপা ফনা কুইরে অদুগী সুম শাওনিংদুনা ঙাংলম্বনি।

চলাম্বা :- করিনোনে হায়রিসিবো, কোলেজদসু লাক্তে, নারবরা কৈদৌরবজাৎনো য়েংলুগে হায়দুনা কোলেজলোমদগী য়ুমগা অমতা চংলমদনা লাক্লিবনি ঐসু, অদো মাবু কদায় কদায়দগা চৎকনি হায়রমগে।

কেতুকী :- কোলেজ চৎকনি হায়দুনা য়ুমদগীদি চৎখিবনি, অতৈ থোইদোকপদি হায়রমদে, কদাইদা চৎখ্রবজাৎনো, করি তৌরবজাৎনো খঙদ্রেনে, কনাদা হংলুনি তৌরিসিদি (পাখৎপা)।

চলাম্বা :- ইচে অমুক্তা পাখৎখিনু ঙাইখোসে, করিসু তৌরোই হায়বা, ঙসাই মখেয়গী মমান্নবা মৈরাবদু ঐখোয় ইবেন্মগা ৰাংথোইগা ঙাইরিবনি হায়দুনা কোলেজ কেম্পস মনুংদা থেংনরম্মী, অদুদগী অমুক ঐনা ক্লাস লৌবা হৌরকান্দা তপ্লি-তপ্লি মতোমতা চংলকই, ঐদি মখোয় অদুম লাকত্রমাল্লে খন্দুনা মৈরাবদসু হংহৌদরে। করিগীনো মানা ইচেদনা কোলেজ চৎকনি হায়রম্লগা ক্লাসসু য়াওদে, মসি অঙাংসি হন্দকসি মাগী মওং মতৌসি ইহোং হোংলকপগুম তৌরিসি করি তৌরজাৎনো ফজনা থীজিনহৌদবা য়াদে, লম্বী শেরাল-তুরান চৎখিদুনা তোক্লুরনি।

কেতুকী :- ফোনসু ঙসাইদগী তৌবনি, শুংফং ফংদে, ফৎত-নুংদা থোক্লুবজাৎলা, ইচেদি পাখৎপনা লোইরে, কমাই তৌসিগে হায়বনি নঙবো, কদায়দনো হৌজিকপু মাবু থীরুদোইসিবো, মতমনগা ফৎতবনে, ইস ! ইচেদি ইশাগসে নিকপনা লোইরে (বাইক খামখিবগী মখোল)।

চঙখোনবী :- বাই, ঐ লৈহৌরগে ৰাংথোই, হয়েং কোলেজদা অমুক উন্নরসি।

ৰাংথোই :- ওকে, বাই, চৎলেকো (গাড়ী থৌখিবা)।

কেতুকী :- হায় নঙ কদায় চৎলুই, অসুক থেংলসিফাওবা কদাই চৎলুই (খুৎপাক্লা থাবা, ফুবা), চাওরক শাংঙক্লবনিনা ননিং তল্লেনে নঙ, ওইদা পাদবা ময়াম তৌরেনে, ফৈ ফৈ নঙ সিদগীদি মপানগা অমতা থোকপা য়ারোই (শাওবা)।

চলাম্বা :- ইচে অমুক্তা ঙাইখো, শাওগৎখিনু ফজনা ইংনা তপ্না গ্যান তানা ৰারী শান্নসি। চঙখোনবী ! নঙ য়ুমদগীদি কোলেজ চৎকনি হায়না চৎখ্রগা কোলেজদদি লাক্তনা কদায়দা চৎলুই।

চঙখোনবী :- (পেরী পেরী) কৈসু চৎতে, উম ... হুম... (কপ্পা)।

কেতুকী :- হায় কপশিন্ননু নঙ, নঙগনা খরা কপশিন-লাওশিন্নরগা নঙগী নরান কোকপা য়াদৌবোই খনবরা (চৈবা)।

চলাম্বা :- ইবেন্মা... চঙখোনবী ... মামতোন্দা শেংনা হায়য়ু নঙবু কদায়দা চৎলুগে, হা কদায়দা চৎলুগে হায়বা।

চঙখোনবী :- মামতোন ! ঐ ... আ ... (সুৎ সুৎ কপ্পা)।

চলান্বা :- হায়যুনে হায়যুনে, শেংনা হায়যুনে, নঙনা শেংনা হায়বদা ইচেনসু শাওরোই, মামতোন্নসু করিমতা শাওরোইকো।

চঙখোনবী :- মামতোন ... অদুবুরো হন্দক্তা অয়াঙলৈমা ইকো পার্ক হায়দুনা অমা শেমগৎপদো, অদুদা ঐখোয় ইরমদমগী মমাংঙৈদগী লৈজরক্লবা, হৌজরক্লবা শা-উচেকশিং, পান্বী মখলশিং অয়াম্বা লোয়না ফংই, হৌই হায়বদুদা য়েংনিংমনখিদুনা ৰাংথোইগা ইবানি য়েংমীন্নরুবনি।

কেতুকী :- অদুবু ইবেম্মা, চৎলবসু ফজনা হায়রম্লগা চৎপা য়াদবরা, হা য়াদবরা হায়বা (শাওরপ)।

চলান্বা :- ইচে অমুক্তা ঙাইখো হায়বনি, ঐ মেন তানা অমুক্তা ৰারীসি শান্নখিগে। ইবেম্মা, নঙনা ইরমদমগী ওইবা ইন্দেমিক প্লান্ট অমদি এনিমেলশিং য়েংনিংদুনা ইকো পার্কতা চৎলুবদু করিসু কাইদে অদুবু নঙনা ঙসি নঙগী ক্লাস য়াওদনা অমদি ঐখোয়দা হায়রমদনা চৎলুবদুমদি য়াম্না লাল্লিকো, মতুঙদা অমুক হন্না ক্লাস লৈথোক্তুনা অদুগা ইমাদা তাক্লমদনা চৎলবদি মামতোন্নসু নঙবু য়াম্না শাওগনি অমুক হন্না ঙাকপিরোইকো।

চঙখোনবী :- মামতোন ! ঐ শোয়খরে, লানখরে, মতুংদা অমুক হন্না তৌজররোই, ইমা ! শাওবিরনু ঐ লানজরে।

কেতুকী :- (পুক্লিং নুংশিবা) ইমাগীদি নতোমতনি নঙবু মতিক চাবী মীথোই মীহেনবী অমা ওইহনবা হায়বসে ইমাগী পান্দমনি, নঙনা হায়বা ইন্দদুনা লম্বী লমফাংনদুনা শেরাল-তুরান চৎখ্রবদি ইমাদি তাইবংপানসিদা হীংলুদুনা কৈদৌনি।

চলান্বা :- ফরেসে ইচে তোকও, ইবেম্মনসু অমুক তৌজররোই হায়রবনিনা চা গ্লাস অহাওবা অমমমতং থকশিসে, চা খরা লোনবীরকউ ইচে।

কেতুকী :- হোয় হোয় লোল্লক্কে, নমৌনুপীগা ৰারী শারম্মু (চঙখিবা)।

চলান্বা :- হোয় ইচে, ... চঙখোনবী ! ঙসি মামতোন্না নখোয়না খংবদা য়াম্না কান্নবা মরুওইবা টোপিক অমখক য়াম্না পুক্লিং চংনা তাকই, নঙদি য়াওহৌদরেদো।

চঙখোনবী :- করি টোপিকনো হায়বা মামতোন, হৌজিক খরা অমুক্তা তাকপীরম্মু।

চলান্বা :- হুম, হৌজিক হেক্তা তাকথোকপা য়াবরো, নঙনা ঙসাই লম হেন্দুনা ক্লাস য়াওখৈ য়াওজহৌদ্রগা।

চঙখোনবী :- অদো খিৎতংদা ওইরসু হায়বীরম্মো হায়বা, ঐ হয়েংখৈ অমুক হন্না ক্লাস লৈথোকচররোই, মামতোন্না তৌ হায়বা খুদিংমক লোয়না তৌজরগে, হায়বসু ইনজরগে হায়বা।

চলান্বা :- হৌজিক মালেম অসিগী অইং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎকী খলদা অকায়বা অহোংবা কয়া হায়বদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোক্লে হায়বসিদি য়ানিংবরা?

চঙখোনবী :- উম অদুবুদি য়ানিংঙিনা, ঐখোয়গী লমদম অসিসু শাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলে, ইংলগসু কা হেন্না ইংবা, নোং তাবগী চাংদা অকায়বা অহোংবা কয়া থোরকপা, হৌজিক নোং তাগদবা মতমসিদা তাদ্রবনিনা ইকং থোক্লে, মনা-মশিং, মহৈ-মরোং অমতা ফজনা হৌবা ঙমদরে, লৌসু উবা য়াদ্রবনিনা মথং চহিদি চাক তাংবা থোক্লগনি।

চলান্বা :- হৌজিক মালেমসিগী অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং অসি হান্না লৈরম্বা ক্লাইমেৎ কন্দিসনগা য়াম্না খেন্নরে হায়বসি করম হায়না প্রমান তৌগনি হায়বদুগী মরমদা ঙসি ঐনা নখোয়গী ক্লাসতা মমুৎ তানা তাকখ্রবনি।

চঙখোনবী :- অস ! ঐনা য়াম্না খঙনীংনা লৈরম্বা টোপিক অমা ঙসিদং ঐনা ক্লাস য়াওহৌদবা নুমিৎসিদা মামতোন্না তাকথোকখ্রবা, মামতোন নঙ নবুক য়াম ফৎতে।

চলান্বা :- (নোকপা) নঙনা নথৌ লৈতনা ছুটি হুরাল্লগা কোইবা চৎচরুবগী ক্লাস য়াওজহৌদ্রগা ঐঙোন্দা অমুক তাইনরিবা।

চঙখোনবী :- অদো মামতোন ফজনা তাকত্রসু খজিক্তংদি হৌজিক তাকপীরম্মু হায়বা।

চলান্বা :- মমাংঙৈগী মতম হায়বদি চহি চা কয়াগী মমাংদা ওইরম্বা ক্লাইমেৎ কন্দিসনগী মওং-মতৌশিং রেকোর্দতি লৈতবা মতমশিংদুগী অইং-অশা অসি ঐখোয়না পান্বে খরগী মতেংনা খঙবা ঙমইকো।

চঙখোনবী :- অদো করি করি পান্বেশিংনো হায়বা মামতোন।

চলান্বা :- চহি কয়াগী মমাংদা ওইরম্বা অইং-অশা, নোংজু-নুংশা, ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম অসি ঐখোয়না মতম মতমদুদা লৈরম্বা, হৌরম্বা পান্বী, শা-ঙাশিংগী ফোশিল, পোলন এনালাইসিস, দেনদ্রোক্লাইমেটোলোজি, আইচ কোর এনালাইসিস, ফোরেষ্ট জিনেটেক রিসোর্চনচিংবগী মতেংদগী খঙবা ঙমই। মখাদি হায়ররোই নশানা হান্না অমুক্তং হোৎনদুনা খঙবা ঙম্বরা য়েংঙু ঐনা হায়রিবশিং অসি, খঙবা ঙমদ্রগনা ঐ অমুক নোঙমা শন্দোক্না তাকপিগে।

কেতুকী :- সে সে চা লৈরেসে, থকওসে চলান্বা, ইবেম্মা নঙগীসু সিদা লৈরেসে। সিদগীদি লম হেনবগা অমতা য়াররোই, নোয় মামতোনগা ঐগনা কোইশেন শেন্নরদৌনি।

চঙখোনবী :- হোয় ইমা, ঐ অমুক হন্না ইমাহোয়না পামদবা থবক অমতা তৌজররোই।

-ম্যুজিক-

(মফম: কোলেজ কেম্পস, মতম: অয়ুক পুং ১০মুক তারকপা মতম, ছাত্রা-ছাত্রীশিং লাংবগী খোঞ্জেল)

ৰাংথোই :- মৈরাবা ঙরাং নঙনা চৎখিনু হায়বদু য়ারম্লবদি চোপ্পসু নঙজরম্লোই, ক্লাসসু মাঙজরম্লোই।

মৈরাবা :- ঐসু চৎপুদি য়াম্না চৎনিংবনি নোয়না হায়রিবা ইকো পার্কতুদা, অদুদা ক্লাস লৈথোক্লগা চৎপদুমদি পামদদনা অদুম লৈহৌরবনি। চঙখোনবীদুসু মমাগা মখোয়গী মামতোন সার চলাম্বগনা য়াম্না চৈবিরবমাল্লে।

ৱাংথোই :- নঙদি করম হায়না খঙলিবা,কনানা হায়রক্লিবা, চঙখোনবীনা হায়রক্লিরো।

মৈরাবা :- নৎতে, মখোয়গা য়ুমথংননা লৈমীন্নবা সনাতোম্বনা হায়রকপনি, মমানা ফুসু ফুবিখ্রবমাল্লে।

ৱাংথোই :- উম ঐসু পাওবুদি লোয়না ঙরাংনা তারবনি নুংসু নুংঙাইতরে য়াম্না, ঐসু কদাইদগীনো খঙদে খঙচৎ হেক চৎনিংলক্কুনা ঐখোয় অহুম চৎসি হায়দুনা তৌবদা, নঙদি য়াদদুনা লৈহৌরবনিনা নরাইবক ফহৌরে, ঐনা চঙখোনবীদু পুবীরমদ্রবদি মমানসু ফুবিরল্লোই, চৈসু চৈবিরল্লোই।

মৈরাবা :- ফরেসে হৌখ্রবদি হৌখ্রে, মতুংদা অমুক তৌদ্রগা লোইরে অদো হৌজিক ফাওবা চঙখোনবীদুবু লাকত্রিসিবু মমানা কোলেজ কাহল্লরোই, ঐখোয়গা তীন্নহল্লরোই হায়রজাৎলা।

ৱাংথোই :- খঙদে, ঐ সুম খল্লুরগা য়াম ইকায়রক্লে, ঐসু কোলেজ কারক্লগুমসিরা খঙদে।

মৈরাবা :- নঙদি কৈদৌবগী কোলেজ কারকওইদৌরিবা, ইগজামসু কুইরকত্রবনি অদুনা সিদগীদি থৱাই য়াওনা হোৎনহৌদ্রবদি মার্ক ফজনা ফংবা ঙল্লরোই, লাকও ক্লাসকী মতমসু ওইরক্লে চৎসি লাকও।

ৱাংথোই :- চঙখোনবীদুবু লাক্লরোইবাজাৎলনে (শোনবা)।

মৈরাবা :- ৱাংথোই ! য়েংঙু তু আদা সার চলাম্বগী কারদা তোংলকইসিবু চঙখোনবী নৎতরো।

ৱাংথোই :- উম মানি, মাদি সারগা ওইনা লাকঅমাল্লে মতোমতা চৎহল্লরোইদবমাল্লে, ঐখোয়গসু তীন্নহনগদৌবা মান্দরেবো।

মৈরাবা :- অমুক্তা ঙাইখোবা নঙবু, ৱাখলদু জাৎ জাৎ অমুক্তা খনজিল্লুখিনু।

চলাম্বা :- (গাড়ী খাম্বা) মৈরাবা... ৱাংথোই... নবানিদি অদুদা অমুক লেপ্তুনা লৈরিদুনা করিগীনো লাকওদনা, ক্লাস য়াওরুরোদনা, হৌজিক কনগী ক্লাস লৈগে।

মৈরাবা :- সার তোম্বগী ক্লাস লৈ, চংলগে তৌরল্লিবনি সার।

চঙখোনবী :- মামতোন ঐসু সিদা ওইনা কুমহৌরগে, মবানিগা চঙমীন্নরক্লগে।

চলাম্বা :- হোয় হোয় কুমহৌরো অদুগা অমুক নখোয় অহুম পুল্লগা ফৈরেং তুরেং চৎখিবদি য়ারোইকো।

চঙখোনবী :- চৎলোইবা মামতোন, ঙরাং শোইখিবগী অদুম হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়দুনা লৈ, ঐনা তৌররোই হায়রমক্তদা।

চলাম্বা :- ফরে ফরে অদুদি, অদুগনে নখোয় অহুম হোরেল ক্লাস ওফ লৈবা মতমদুদা কার্ন্টিনদা ঐখোয় পুন্না করিনোমা চামিন্নরগা ৰা খরা তান্নগদবা লৈ, নখোয় ইমাসু লাক্কনি হায়রকপনি, ঐ চংলন্নগে লাকওকো (গাড়ী থৌজিনখিবগী মখোল)।

ৰাংথোই :- চঙখোনবী ঐ য়াম লানখরে, ঐনা মরম ওইরগা নঙবু নখোয় ইমাহোয়না য়াম্না চৈহনখরে।

চঙখোনবী :- নঙদি কৈদৌবগী লান্দোইবা, ইবানিনা য়ান্নরগা কোইবা চৎখে চৎমিন্নরুরগা, অস সিগী ৰাসি তোল্লুসিদা।

মৈরাবা :- নখোয় ইমা হোরেল লাক্কনি হায়রিসিবু করিগীনো, ঐখোয়বু চৈদোইজাৎলা।

চঙখোনবী :- চৈরোইদা কৈসু, নোয়না মরোল অমা পংপাদা হেক পাখৎলি।

ৰাংথোই :- নখোয় ইমাগী মীংসিবু কেতুকী হায়বা নৎতরা, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টতা সাইন্টিফিক ওফিসার ওইনসু লৈরিবা নৎতরা?

চঙখোনবী :- উম মানি, ইমানা নখোয় অনিগসু সুম খঙননিংদুনা লাক্কে হায়বা ওইরম্বসু য়াই নত্রগনা মখোয়গী দিপার্টমেন্টগী থবক লৈদুনা লাকপসু ওইবা য়াই।

মৈরাবা :- ওইনিংবা অমা ওইজরসনু, হোরেল উন্নরগা অদুম খঙদৌবা লৈরে, ক্লাস য়াওরুরসি লাকও চংঙসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: কোলেজ কার্ন্টিন, মতম: নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং অমমুক তারকপা মতম, ছাত্র-ছাত্রিশিং লাংবগী মখোল)

কেতুকী :- লাকও লাকও ইচাশা, ঙসিদি ঐখোয় পুল্লুপ ফম্মিন্নদুনা করিনোমা চামিন্নসি অদুগা নখোয়দা ইমানা থবক খরসু শিন্নগেকো।

মৈরাবা :- অহোয় মেদাম, মেদামনা ঐখোয়দা শীন্নবীগদবা থবক পুম্নমক হায়বীয়ু, ঐখোয় থৱায় হুকচাং য়াওনা মেদামনা হায়বা খুদিংমক ইনজগনি।

কেতুকী :- নঙগী মীংনা মৈরাবা অদুগা নঙগীনা ৰাংথোই হায়বনিকো, ঐসে চঙখোনবীগী মমানিনা নখোয়গীসু নমানিকো অদুনা মেদাম কৌগনু ইমা হায়না কৌকো, সিদগীদি ঐখোয় পুল্লগা তৌগদবা থবক কয়া খন্নরসি, তান্নরসিকো। ৰাংথোই নঙসু ৰা খরা ঙাংঙুদনা কৈদৌর তুমীন অদুম ফমদুনা লৈরদি।

ৰাংথোই :- কৈসু তৌদে ইমা, ইমানা ঐখোয়দা শীন্নবীগদবা থবকশিং অদু তাকপীরো, ঐনা হেক ঙল্লিবমখৈ হোৎনদুনা ইমানা পাল্লিবা পান্দম খুদিংমক ফংবা ঙম্নবা তৌজগে।

কেতুকী :- য়াম নুংঙাইরে ঙসিদি, নখোয়না অসুম্না হরাও-হরাও য়ারকপসি, চঙখোনবী ! নখোয় মামতোন্দু হৌজিক ফাওবা লাকত্রিসিবু কৈদৌরজাৎনো, ফোন তৌরগা খরা কৌনে।

চঙখোনবী :- হোয় ইমা, (ফোন কিপেদ নম্বা) ... এ ! মামতোনদি ফোন তৌগে তৌরিঙৈদা লাকপু লাকএ।

চলাম্বা :- ইচে ঐ ক্লাস অমা লৌরিঙৈদা খিৎতং থেঙদোকখরে, করি করি চান্নবা হায়খ্রগে।

চঙখোনবী :- করিমতা হায়দ্রিয়ে মামতোন লাকপা ঙাইরল্লিনে, ৱাংথোই... মৈরাবা... ঙসিদি ঐখোয়না চানিংবা খুদিংমক লোয়না চাহৌরসি, নোয় নোয় চানিংবশিং হায়নরকও।

কেতুকী :- ইচাশিংনা চানিংবা খুদিংমক লোয়না পীজদোইনি, নোয়গী অপাম্বশিং ওর্দর তৌখরো।

মৈরাবা :- ঐগীদি পীজবা অমা হেক্তা য়াজে অদো ঐখোয়না তৌগদবা থবকশিং অদুদি করিমতা তাকপীদ্রি।

চলাম্বা :- থবকশিং অদুসু মথং-মথং অদুম হায়জরক্লগনি, হান্না অমুক্তা চান্নবা আইটেমশিংদু খন্নরকও।

চঙখোনবী :- ঐগীদি কোফিগা চিক্কন চৌগা ওইনা খনজরে, মৈরাবা নঙগা ৱাংথোই নবানিগীদি করি ওইনা চাদোইনো?

ৱাংথোই :- ঐখোয়সু নঙনা খল্লিবা অদু অদুম য়ারে, অদু ওইনা হেক্তা চারসি, সারগা ইমাগগীদি করি ওইনা হায়খ্রোগে।

কেতুকী :- ঐদি কোফিদমক থক্লগে, করিসু চানিংদে, চলাম্বা নঙদি করি চাদোইনো।

চলাম্বা :- ঐসু করিমতা চানিংদে, কোফিদং থক্লগে। অদুদি কোফি মঙাগা চিক্কন চৌ প্লেট অহুমগা সোমদা খরা থুনা পুবিরকও।

কেতুকী :- ইচাশা ! ভারত সরকারনা ইং ২০০৮ কী জুনগী তাঙ ৩০দা নেসনেল এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (এন. এ. পি. সি. সি.) হৌদোকখি, হায়রিবা এক্সন প্লান অসিগী মিসন নিপালগী মনুঙদা মিসন অনি হায়বদি নেসনেল মিসন ফোর সস্টেনিং হিমালায়ান ইকোসিস্টেম (এন. এম. এস. ঐইচ. ই.) অমদি নেসনেল মিসন ওন ষ্ট্রেতেজিক নোলেজ ফোর ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (এন. এম. এস. কে. সি. সি.) হায়রিবা মিসন অনি অসি ঐখোয়গী সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টনা মায় পাক্লবা হোৎনবদা চাওরবা থৌদাং লৌরি।

মৈরাবা :- অদুদি য়াম্না ফবা ৱানি ইমা, হৌজিক মালেম অসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা ঐখোয় মীওইবা অমদি থৱাই পানবশিংদা অৱা-চৈথেং কয়া নংলক্লিবা অসি করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী থবক থৌরম কয়া লৌখৎপা হায়বসে ঐখোয়গী তৌফম থোকপা ইথৌনি।

চলাম্বা :- মালেম অসিদা অইং-অশাগী খলদা অহোংবা অকায়বা কয়া থোরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোকপা হায়বসিদা নখোয় নহাশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ।

| | | |
|---|---|---|
| কেতুকী | :- | অদুনা ইচাশা হৌজিক ঐখোয়না তৌগদবা থবকশিং অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা নখোয়গী নতেং দরকার য়াম্না লৈ। |
| ৰাংথোই | :- | ঐখোয়না তৌগদবশিং অদো হায়বীরো ইমা, ঐখোয়না হেক ঙম্লিবমখৈ হোৎনজগে। |
| কেতুকী | :- | ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসি করিদগী থোরক্লিবনো, করম হায়না ঙাকথোক্কদগে হায়বশিং অসি ঐখোয়না মফম মফম খুদিংগী লৈকায় অমদি খুনশিংদা চৎতুনা মীওইশিংদা তাকপী তন্বীবা, উমং-ৰামং কোকথোকপদগী থোক্লকপা অমাংবা কয়াগী মরমদা খঙহনবা, উমংশিং করম্না য়োকখৎকনি হায়বগী মরমদা তাকপী তন্বীবা থবক ময়াম অমা পায়খৎকদৌরিবনি। |
| চঙখোনবী | :- | ইমা, ইমান্নবা অতৈশিংসু য়াওহনবা য়াগদরা? |
| কেতুকী | :- | করিগী য়াদনি, থৱায় য়াওবা, মালেমসিবু নুংশিবা মীওই মশিং য়াম্না থোরক্লিবমখৈ মালেমসিবু কনবা ঙমগদৌরিবনি (ফোন রিং লাকপা)... ইহে ঐখোয় দিরেক্তরনা ফোন তৌরক্লে... (ফোন রিসিপ্ত তৌবা) হল্লো... সার... অহোয়... আ ঐ য়াম থুনা লাকচরগে। |
| চলান্বা | :- | ইচে কৈদৌরে অথুবা থবক লৈরবরা? |
| কেতুকী | :- | ঐ দিরেক্তরনা ওফিসতা হৌজিক অথুবা মীটিং অমগী কৌরে, ঐ চৎলগেকো। চলান্বা ! নঙ অঙাংশিংগা কৈ কৈনো চামীন্নহৌখো। |
| মৈরাবা | :- | কোফিদি পুরক্লে, কোফিসিদং থক্লগা চৎপীয়ু ইমা। |
| কেতুকী | :- | নোয় অদুম থকহৌরো। ঐ খরা থুরে, চৎলেকো (গাড়ী থৌখিবা)। |
| চঙখোনবী | :- | ঐখোয় ইমাগী থবকসিদি চীনখ্রপোৎনি, ঙহাক্তা ফাওবা মেন তানা ফম্মীন্নবা শঙদে, মামতোন কোফিদু ইংখ্রনি থক্তোক্লো, ঐখোয়সু চৌদু চাথোক্লসি। |
| চলান্বা | :- | মথংগী সন্দেসিদা ঐখোয় পুল্লপ নেচরেল ফোরেষ্টকী মফম খরা য়েংবা চৎলুসি। |
| মৈরাবা | :- | চৎলুসি সার, উমং-ৰামংশিংদা ফংলিবা পান্বী মখল পুম্নমকশিং অসি ফোরেষ্ট জিনেটিক রিসোর্চ হায়রিবসিনিকো। |
| চলান্বা | :- | উম মানি, ঐকোয়না পান্বী মখলশিং অসিগী জিনেটিক মেটরিএলশিং অসি জীন বেঙ্কতা থমদুনা মালেমসিদগী মুৎখিদনবা মাঙখিদনবগী থবক কয়াসু পায়খৎলে হৌজিক্তি। ইহে পুংসে অনি তাশিল্লক্লে, নখোয়সু ক্লাস লৈরিবরা? |
| ৰাংথোই | :- | পুং অনিদা সার চাওবগী কেমিস্ত্রি ক্লাস লৈবনি। |
| চঙখোনবী | :- | অদুদি চৎলসি লাকও, ঙসিসু অমুক ক্লাস য়াওহৌদ্রদি নোংমা নোংমগী সুম খঙদবনা য়ামশিল্লক্লগনি। |
| চলান্বা | :- | ফরে অদুদি নখোয়সু ক্লাস য়াওরুরো, ঐসু দিপার্টমেন্টতা ঙহাক চঙলুখিগে। |

মৈরাবা :- হোয় সার, অদো সার উমংগী মফমশিংদা কোয়বা চৎপা হায়বদু শোয়দনা চৎশিকো।

চলান্বা :- হোয় হোয় চৎসি।

-ম্যুজিক-

(মফম: উমং, মতম - অয়ুক পুং ১০মুক তারকপা, উচেক-ৰায়াগী খোঞ্জেল, গাড়ী থৌরকপগী মখোল)

চঙখোনবী :- মামতোন লোয়রোই লোয়রোই কাখৎখ্রিবা চীং লম্বীসে য়েংবদা য়াম্না ফজেকো, নাক-য়েৎতা হৌরিবা চাওরা-চাওরবা উপালশিংসিনা অমুক্কসু হেন্না ফজে।

চলান্বা :- উপালশিং অসি নোংমা নোংমগী অসুম অসুম ময়েং তাশিল্লক্লি, ঐখোয় মীওইবনা মরম অমা নৎত্রগা মরম অমগীদমক উপালশিং অসি য়ানথৎলি, উ পাম্বী অমনা মপুং ফানা চাওবদা চহি কয়া চংলিবনি অদুগা য়ানথৎপদি সুপ্নগী পুংজা খরদা উপাল কয়া য়ানথৎপা ঙমই, ঐখোয়না য়ারিবমখৈ উপালশিংসে য়ানথৎতনবা হোৎনগদবনি।

ৰাংথোই :- সার ঐখোয়গী মণিপুরগী ফোরেষ্ট এরিয়া অসিবু কয়ামুক ওইবগে।

চলান্বা :- ঐখোয়গী ফোরেষ্ট এরিয়া অসি চাওরাক্না স্কোৱর কিলোমিটর ১৭,৪১৮ রোমনি।

কেতুকী :- হায়বদি ঐখোয়গী অপুনবা জিওগ্রাফিকেল এরিয়াগী চাদা ৭৮রোমদি উমংগী শরুকনি।

মৈরাবা :- মেদাম ঐখোয়গী ফোরেষ্ট এরিয়া অসি অসুম অসুম কোকথোরকপনা মরম ওইরগা হান্না লৈরম্বা চাংদগী হন্থরক্লে হায়রিসিবু চুম্বরা।

কেতুকী :- ইং ২০০৯ গী সেটিলাইট দাটাগী মতুংইন্নদি মণিপুরগী উমংগী শরুক অসি স্কোৱর কিলোমিটর ১৭,০৯০ রোমনি হায়বদি অপুনবা জিওগ্রাফিকেল এরিয়াগী চাদা ৭৬.৫৪ রোমনি হায়না হায়রি।

চলান্বা :- ইন্দিয়া ষ্টেট ওফ ফোরেষ্ট রিপোর্ট (আই. এস. এফ. আর.), ইং ২০১৭ গী মতুংইন্নদি মণিপুরগী ফোরেষ্ট এরিয়া অসি স্কোৱর কিলোমিটর ১৭,৩৪৬ রোম ওইরে হায়বদি অপুনবা জিওগ্রাফিকেল এরিয়াগী চাদা ৭৭.৬৯ রোমনি হায়না হায়রি।

চঙখোনবী :- মামতোন স্বাইদা গাড়ী ঙহাক্তা খামখিসি, মফম স্বাইসে য়ামনসু ফজে, আদগী উখাসিদা ঙহাক্তং হকচীক লাংখিসি।

চলান্বা :- হোয় হোয় ঙহাক পোৎখাবা ওইনা ব্রেকফাষ্টসু চাথোকখ্রসি (গাড়ী খান্বা)।

কেতুকী :- লাকও অঙাংশা, ঙসাই ফম্নবা ফীদাগা য়াওখিবদু পুথোরকও, উরুমসিদা থারো লাও অদুগা চঙখোনবী চাগী ফ্লাস্কতুগা, পরোথাগা চানা থোংবগা য়াওবা হোট কেসশিংদুসু পুরকও।

চঙখোনবী :- হোয় ইমা, মৈরাবা... ৰাংথোই... সে ফিদাসে থারম্মো, ঐ চান্নবশিংসে পুরক্লুগে।

মৈরাবা :- স্বাইদা হেক্তা থারগে, সার... ইমা... সিদা ফম্বীররো লাকও ।

ৰাংথোই :- (চা হৈবা) ময়াম চা থকঅসে ... সারগী সিদা লৈজরে, ইমাগীসু সিদা থমজরে।

চঙখোনবী :- পরোথাগা এঞ্জাংগসু লৈরে চারসি,অদো মামতোন ঐগা ৰাংথোইগা ক্লাস য়াওহৌদবা নুমিৎতা তাকখিবা টোপিকতু খরা অমুক্তা হায়বীরকও।

চলাম্বা :- (চানা চানা) উম, নঙ নিংদি নিংশিংবোরে, করম্বা মতাংদগী হায়য়ু হায়বনোনে।

ৰাংথোই :- ঐসু ঙসাইদগী সারদা হায়বা ঙমদদুনা লৈজরিবনি, চহি চা কয়াগী মমাংদা ওইরম্বা ক্লাইমেৎকী মওং মতৌশিং করি পাম্বে শীজিন্নরগা খঙবা ঙমগদগে হায়বদু ঐসু য়াম্না খঙজনিংঙি সার।

মৈরাবা :- সার ঐসু নুমিৎতুগী ক্লাসতু য়াওহৌই হায়বগী ৰাতনি মমুৎ তানদি খঙহৌদে অদুনা ঐসু সারদগী অমুক্তংগা টোপিক অদুগী মরমদা তাজনিংঙি।

চলাম্বা :- ফরে ফরে অদু ওইরদি ঐ হায়রগে মথং মথং, পুক্নিং চঙনা তাহৌরোকো।

কেতুকী :- ইবুংঙো চলাম্বা, আইচ কোর দাটা এনালাইসিসকী মতাংদুদগী ওইনা হেক্তা হায়রকও।

চঙখোনবী :- আইচ কোর হায়রিসিবু করিনো মামতোন, করম হায়না আইচ কোরগী মতেংনা অইং-অশাগী চাং খঙবা ঙমগদৌরিবনো?

চলাম্বা :- আইচ কোর হায়বসি চহি চহিগী উনগী লৈরোলশিং অমগী মথংদা অমা লোনশিন্নদুনা শেমখিবা আইচ শিত নত্রগা গ্লেসিয়রশিংগী শরুক্কী সেম্পল মচেৎ অমখকনি, আইচ কোরগী শরুক অসি নোর্থ পোল অমদি সাউথ পোলগী মফমশিংদা লৈরোল লৈরোল পৈশিন্দুনা লৈরিবা উনগী শরুকশিংদগী তৌথোক্লগা ফংই। রিছার্চরশিংনা আইচ কোর অসি গ্রিনলেন্দ অমদি অন্টার্টিকাগী উনগী শরুকশিং অসিদা কিলোমিটর ১.৬রোম হেন্না লুথনা হুৎলগা লৌথোকই।

ৰাংথোই :- এ ! অদুদি য়াম লুনা হুৎলগা লৌথোকপোরে।

কেতুকী :- উম, অদুগা আইচ কোরগী শরুকশিং অসি কিলোমিটর অহুমলোমগী চাং লুথবা গ্লেসিয়রগী মফমশিংদসু ফংঙি। গ্রিনলেন্দগী উনগী লৈরোলনুংদা চহি ১২৩,০০০ শুরবা উনগী শরুকশিং হায়বদি আইচ কোর সেম্পলশিং ফংঙি।

চলাম্বা :- অদুগা অন্টার্র্টিকাগী উনগী লৈরোলনুংদা চহি লাক মরি (৪,০০,০০০) শুরবা আইচ কোর সেম্পলশিং ফংঙি।

মৈরাবা :- অদুদি অন্টার্র্টিকাদনা হেন্না কুইরবা আইচ কোর সেম্পলশিং ফংবোরে।

চলাম্বা :- হায়রিবা আইচ কোর সেম্পলশিং অসিদগী চহি চা কয়াগী মমাঙদা ওইরম্বা ক্লাইমেটিক কন্দিসনশিং খঙবা ঙমইকো।

চঙখোনবী :- মামতোন কমাইনা আইচ কোর সেম্পলদগী মতম মতমদুগী ক্লাইমেৎকী মওং মতৌ খঙবা ঙমদোইনো।

চলান্বা :- আইচ কোরগী শরুকশিংদা য়াওরিবা ৱাটর মোলেক্যুলশিংদগী ইয়ার টেম্পরেচর খঙবা ঙমই অসিদসু নৎতনা আইস কোরগী শরুক্তা উফুল-ৱাইফুল, লৈরিকশিং, সমুদ্রগী থুমগী শরুকশিং পকশিন্দুনা য়াওই, মসিদগীসু ঐখোয়না মতমদুগী ক্লাইমেটিক কন্দিসনশিং খঙবা ঙমই।

চঙখোনবী :- ডেন্দ্রোক্লাইমেটোলোজি হায়রিসিনা করিনো অমুক্তা তাকপীয়ুনে মামতোন।

চলান্বা :- ডেন্দ্রোক্লাইমেটোলোজি হায়রিবসি উপান্বীশিংগী চহি চহিগী চাওখৎলক্লিবা হায়বদি এন্যুএল ট্রি গ্রোথ অমদি ক্লাইমেৎকা লৈনরিবা মরিশিং অদুগী মরমদা নৈনরিবা থিজিল্লিবা অদুবু ডেন্দ্রোক্লাইমেটোলোজি হায়রগা খঙনৈ।

ৱাংথোই :- এন্যুএল ট্রি গ্রোথ হায়রিবসি উপান্বীশিংগী এন্যুএল রিং ফোর্মেসন অসি নৎতবরা সার।

চলান্বা :- উম মানি, উপান্বীশিংগী এন্যুএল রিং অসিগী পাকপা চাওবা অসি নোংজু-নুংশা, ঈশিং-নুংশিৎ, অহিং-অশাগী মখা য়াম্না পোল্লি।

কেতুকী :- অসিদসু নৎতনা চহি চা কয়াগী মমাংদা লৈরম্বা পান্বী, শা-ঙা, উচেকশিংগী ফোশিলশিংদগীসু মতম মতমদুগী ক্লাইমেটিক কন্দিসন খঙবা ঙমই।

মৈরাবা :- ইমা ! করম হায়না ফোশিলশিংদগী ক্লাইমেটিক কন্দিসন খঙবা ঙমগদৌরিবনো।

কেতুকী :- খুদম ওইনা হায়রবদা অন্টার্টিকাগী মফমশিংদগী পান্বীশিংগী ফোশিলশিং ফংঙি, মরম অসিনা তাক্লিবদি মতম কয়াগী মমাংদদি অন্টার্টিকাগী মফমশিং অসি হৌজিক লৈরিবা টেম্পরেচর অসিদগী খরা হেন্না শারম্মী, পান্বীশিং হৌবা ঙম্লম্মী হায়বা তাক্লিবনি, হৌজিক্তি অন্টার্টিকাগী মফমশিং অসি উনতনা কুপশিল্লগা লৈরে।

চলান্বা :- অসিদসু নৎতনা মাউন্ট ইভরেষ্টকী শরুকশিংদা সমুদ্রদা ফংবা জীবশিংগী ফোশিলশিং ফংঙি, মরম অসিনা মাউন্ট ইভরেষ্ট অসি সমুদ্রগী ইরোলনুংদগী ইনখৎলক্কুনা শেমখিবনি হায়বা তাক্লি।

কেতুকী :- ৱারীসে স্বাইদসুম ফল্লগা শাদুনা লৈরবদি ঐখোয়না চৎলুসি হায়রিবা ফোরেষ্ট এরিয়া অদু য়ৌবা ঙম্লরোই, লাকও চৎলসি।

ময়াম :- হোয় চৎলসি থেংথ্রনি (গাড়ী থৌখিবা)।

-ম্যুজিক-